ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী শেংলবা কুম্মৈ ইদ-উল-অধাগা মরী লৈননা সোসল ৱার্কর সয়েদ অনৱার হুসেননা লিলোং এ সীগী য়ুমথোঙশিংদা তেংবাঙ ওইনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপা হৌখিবা

কোওর্দিনেটিং কম্মিটি নাওরিয়া পাখংলাকপা কেন্দ্রগী মীহুৎশিংগা লোয়ননা এক্স-এম এল এ, আর কে আনন্দনা নাওরিয়া পাখংলাকপগী মনুং চন্না ৱাটর সপ্লায় স্কিমশিং অমদি রিজার্ভরশিং মথৌ নীংথিনা তৌরিব্রা হায়না য়েংশিনখিবা

কাইরেম্বীখোক ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন এন্দ ক্লব (কে এস য়ু সী)কী থৌমীশিংনা ৱাংজিং তেন্থা এ সীগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা কোয়না চৎতুনা মীয়ামদা ফেস মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজর অমদি হেন্দ গ্লোভশিং য়েন্থোকখিবা

ওরিয়েন্টেল পাইওনিয়র এসোসিএসননা সাইনা ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্স অমসুং সী এম ও, ইম্ফাল ইষ্টকা খুৎশম্নদুনা তোপ মখা লৈকায় কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা ফ্রী মেদিকেল কেম্প কম ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম

সোরাদা মাস ভেক্সিনেসন চথুরি

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস): চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমদি ককচিং এ সীগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরগী মীৎয়েং মখাদা অঞ্জুমানগী প্রসিদেন্ট এম এল জুলফিকর অলম সৈখ, উপ-অধ্যক্ষ নাজিমুদ্দিন অমদি পোল্লিংগী লিদরশিংগা লোয়ননা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী সোরাদা অহুম্লকশুবা ওইনা মাস ভেক্সিনেসন চথদুনা হিদাক কাপথোকখ্রে। ঙসি হুম্নী শুবা নুমীৎতা মীওই ১৭৮দা ভেক্সিনেসন তৌখি।

ভেক্সিন কাপথোকপা অদুদা মীওই কয়ামরুম থোক্লত্তুনা হিদাক কাপথোক্লখি। সোরা খুঙ্গংদসু ভেক্সিন কাম্পগী থৌরম পাঙথোকপীবগীদমক সী এম অমদি এম এল এ, এম রামেশ্বর, পি ঐচ সী পল্লেলগী ডোক্তরশিং, ষ্টাফ অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিস পুম্নমক অঞ্জুমাননা থাগৎপসু ফোঙদোরকখি।

মতেং পাঙখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা মরম ওইরগা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা ৱাংখেম এ সীগী মনুং চনবা য়াইরিপোক বামোন লৈকায় মাইরেনবা লৈরক অমদি তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ঙসি সোসল ৱার্কর কঙাবম জাদুমনিনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং মতেং পাঙখ্রে।

কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোক-খিবদগী মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং অদু খরদা ওইরবসু কোকহন্নবা পান্দমদা কঙাবম জাদুমনিনা লেপ্তুনা চথরক্লিবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী মনুং চন্না ঙসিগী ওইনা ৱাংখেম এ সীগী মনুং চন্না য়াইরিপোক বামোন লৈকায় মাইরেনবা লৈরক্কী ইমুং ৪১ রোমদা ইমুং অমদা নোংমগী চঙবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং চেঙ, আলু, থাউ, থুম অমসুং ঙারিনচিংবা অমদি শেলগী ওইবা মতেং পাঙখিবনি।

উ চারাশিং থাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস): ঙসি ঙসিমক মাঙথরক্লিবা অকোয়বগী ফীভম (ইনভাইরনমেন্ট) অসিদগী খরদা ওইরবসু কনবা ঙম্নবা, অঙৈং-অশাগী খল কায়থরক্লিবা অসিবু কনখৎনবগী পান্দমদা ঙসি হৈরোকপার্ট ১ গ্রাম পঞ্চায়টনা শীন্দুনা পঞ্চায়ট অসিনা কোনবা মফমশিং ৱার্দ নম্বর ১ দগী ৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা লম্বীগী নাক-য়েৎ অনীমক অমদি হৈরোকপার্ট ১ ঊমং লাইকোল লাইফমগী অকোয়বদসু ৱাংজিং-তেন্থা সী দি ব্লোক, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী প্রোজেক্ট ওফিসর এস নবচন্দ্রনা উ চারাশিং থাদুনা হৌদোকখ্রে।

উ চারাশিং অদু থাবা হৌরদুনা গ্রাম পঞ্চায়ট অসিগী প্রধান এল খম্বনা হায়, ঙসি এন আর ঈ জি এসকী মখাদা থারিবা উহৈ-ৱাহৈ ঙাক্তা ওইনা থারিবা উচারাশিং অসি মীয়াম্না মশা-মশাগী য়ুমগী মপাদা থারিবা পাম্বীশিং অসি ঙাক শেনবীরগা হিংনবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

তরাম্না ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস): অসেম লৈকায় দিভেলপমেন্ট ক্লব (এ দি সী)না শীন্দুনা ক্লব অসিগী শঙলেনদা জেনিমসকী কুমজা ২০১৫দগী ২০১৮ ফাওবা দিরেক্টর ওইরম্লবা মতুংদা হৌজিক অমুক নৌনা দিরেক্টর ওইনা হাপ্পক্লবা ডা. দেবেন লাইশ্রমবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা হৌখিবা জুলাই ১৩ দা পাঙথোকখ্রে। ডা. দেবেন লাইশ্রমবু জেনিমসকী দিরেক্টর অমুক হন্না ওইহনবীরকপগীদমক মণিপুর লৈঙাকপুসু ক্লব অসিগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকচরি। নুমীৎ অসিদা কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা লৈকায় অসিদা কোভিদ ভেক্সিন কাপহৌদবা মীওইশিংসু ভেক্সিন কাপথোকপগী থৌরম অমা লিলোং চজিংগী এস দি সী সুরমানা শীনবীদুনা লৈকায় অসিগী অমদি অকোয়বদা লৈবা মীওই কয়া ভেক্সিন কাপথোকখি হায়না অসেম লৈকায় দিভেলপমেন্ট ক্লব, ককৱা অসেম লৈকায়গী সেক্রেটরি জেনরেল আর কে প্রিমর্জিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

‘পি ঐচ ঈ মিনিষ্টরনা মীৎয়েং চঙবীদুনা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী মীয়ামদা ঈশিং নীংথিনা ফংহনবীয়ু’

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস): নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী মনুংদা লৈরিবা ৱাটর সপ্লায় স্কিম অমদি রিজার্ভরশিং মথৌ নীংথিনা তৌহনবীয়ু। মণিপুর লৈঙাক্কী পি ঐচ ঈ মিনিষ্টর অমসুং পি ঐচ ঈ দিগী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা মীৎয়েং চঙবীদুনা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী মীয়ামদা থক্লবা টোটি ঈশিং নীংথিনা ফংহনবীয়ু হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বরসু ওইরিবা এক্স-এম এল এ, আর কে আনন্দনা ফোঙদোকখ্রে।

কোওর্দিনেটিং কম্মিটি নাওরিয়া পাখংলাকপা কেন্দ্রগী মীহুৎ কাঙবু অমগা লোয়ননা ঙসি এক্স-এম এল এ, আর কে আনন্দনা এ সী অসিগী মনুং চন্না লৈবা চিংথাম লৈকায়, কোঞ্জেং লৈকায় য়াওনা মফম কয়াদা লৈবা ৱাটর সপ্লায় স্কিমশিং অমসুং রিজার্ভরশিং মথৌ নীংথিনা তৌরিব্রা হায়বদু হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

য়েংশিনখিবা অদুগা মরী লৈননা এক্স-এম এল এ, আর কে আনন্দনা হায়খি, নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী মনুং চন্না লৈবা ৱাটর সপ্লায় স্কিমশিং অমদি রিজার্ভর কয়া হৌজিক শেমজিন-শাজিল্লিবা অসি ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌহনবীয়ু। এ সী অসিগী মনুংদা লৈরিবা ৱাটর সপ্লায় স্কিম অমসুং রিজার্ভর ১০ রোম অসি মহাক্না চহী ১০ রোম এম এল এ ওইরিঙৈদা মথৌ নীংথিনা তৌদুনা মীয়ামদা ঈশিং পীনবগী থবক পায়খৎলমখি। স্কিম কয়া অমসু ৱার্ক প্রোগ্রামদা হাপ্পুনা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক হৌরমখিবনি। মরী লৈনবা ওফিসলশিংনসু মীৎয়েং চঙদুনা মীয়ামগী থক্লবা অফবা ঈশিং ফংহনবীয়ু। এ সী অসিগী মফম কয়াদা মীয়াম্না থক্লবা অফবা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরি। মীয়াম্না মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং অসি কোকহন্ননবা মরী লৈনবশিংনা হোৎনবীয়ু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মীৎয়েং মখাদা ঙসি লাংপোকলাকপম লৈকায় কম্ম্যুনিটি হোলদা চথরিবা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিনেসন দ্রাইভ অদু এক্স-এম এল এ, আর কে আনন্দনা হকথেংননা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা দ্রাইভ অদু মায় পাক্না পাঙথোক্নবা হোৎনবদা মতেং পাংলিবা ক্লবশিংগী ভলন্টিয়রশিংদা ফেস মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজর অমদি থক্লবা ঈশিংনচিংবা পোৎলমশিং তেংবাঙখি।

য়েংশিনখিবা অদুগা মরী লৈননা এক্স-এম এল এ, আর কে আনন্দনা হায়খি, নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সী অসি হৌজিক লৈরিবা এসেম্ব্লী টর্ম অসিগী ওইনা য়াম্না লাইবক থীবা এ সী ওইরে। টর্ম অসিদা এম এল এ ওইনা মীখলদা মায় পাকখিবা মীওই অদুনা মশাগী ওইবা অতোপ্পা পার্টি অমদা লৈরগনা হেন্না মশাগী ওইবা খুদোংচাবা ফংগনি হায়বগী ফিরেপতা টর্ম মতম লোইদ্রিঙৈদা এম এল এ ফম থাদোক্লবা অদু মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী স্পিকরনা অয়াবা পীখ্রবা মতুংদা অমুক স্পিকরনা অয়াবা পীখিবা অদুবু হায় কোর্টতা চেলেঞ্জ তৌরকখিবা কেস অদু হায় কোর্টনা দিসমিস তৌখ্রে। এম এল এ লৈত্রবা এ সী অসিদা পি দি এস, লম্বী-থোং, থক্লবা ঈশিং অমদি হীরম কয়াগী থবক থৌরম কয়াদা শোত্থনা লৈরি। এম এল এ লৈতবনা কনাদা ৱাকৎলগা মীয়ামগী অৱাৎ-অপা অসি মীৎয়েং চঙবীরক্কনি হায়বগী ৱাফম অমসু লৈরি। মরম অসিনা চীফ মিনিষ্টর অমদি মিনিষ্টরশিংনা এ সী অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবীদুনা অৱাৎ-অপাশিং লৈহন্দনবা হোৎনবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ৱাকৎ তাবীদ্রবদি জুলাই ২২দগী পুং ৪৮গী টোটেল সটদাউন তৌরগনি : জে এ সী

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস): জোইন্ট এক্সন কম্মিটি (জে এ সী) ওফ এন ঐচ-২ এক্সপান্সন এফেক্তেদ লেন্দ ওনরস (মন্ত্রি লৈকায়, খোঙহাম্পাৎ, মহারবি, সেকমাই, কংলাতোংবী, তেন্দোংয়ান, ফৈদিংগা)গী ৱাকৎ তাবীদ্রবদি জুলাই ২২দগী জে এ সী অসিনা কোনবা মফমশিংদা পুং ৪৮গী টোটেল সটদাউন তৌরগনি হায়রি।

জে এ সী অসিগী প্রসিদেন্ট এম ইবোমচা অমসুং কনভিনর টি ঐচ বিক্রমনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, জে এ সী ওফ এন ঐচ-২ এক্সপান্সন এফেক্তেদ লেন্দ ওনরস (মন্ত্রি লৈকায়, খোঙহাম্পাৎ, মহারবি, সেকমাই, কংলাতোংবী, তেন্দোংয়ান, ফৈদিংগা)না মরী লৈনবা ওথোরিটিদা লম অমসুং মাল-চাং (এসেট)শিং শোকপগী মতাংদা পেন্দবশিং ৱাকৎচখ্রে। অদুবু রেস্পোন্স অমত্তা পীবীদ্রে। হেন্না পেন্দ্রিবদি মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা লেন্দ রেভিন্যু অমদি ষ্টেন্দিং প্রোপর্টিজ (এসেটস) ভেল্যু য়াম্না নেম্না লৈঙাক্লা ওর্দর থোকচিল্লক্লে।

হায়রিবা ফীভম অসিদা পেন্দ্রবা লমদম অসিগী মীয়াম্না ৱাকৎ কয়া থমজরি। কম্পেন্সেসন পীগদবগী মতাংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দি সীনা থোক্লিবা ওর্দর অসি মতমগা চান্নদ্রে। অদুনা রিভাইস তৌদুনা হেনগৎনা পীগদবনি। প্রাইভেট বেঙ্ক অমসুং ষ্টেট লেন্দদা লৈরিবা ষ্টেন্দিং প্রোপর্টিজ (এসেটস)শিংগী ভেল্যু হেনগৎকদবনি। গেজেট ফোঙবদা য়াওদবা এফেক্তেদ পাট্টা পায়বশিং কম্পেন্সেসন লিষ্টতা অথুবা মতমদা ওর্দর থোক্তুনা য়াওহনগদবনি। এফেক্তেদ এগ্রিকলচরেল লেন্দগী ভেল্যু হেনগৎনা পীবা অমদি রিহেবিলিটেসন এন্দ রিসেট্রলমেন্ট তৌননবা চান্নবা কম্পেন্সেসন পীগদবনি। ষ্টেট লেন্দ লৈরিবা ষ্টেন্দিং প্রোপর্টিজ (এসেটস)কী মতমগা চান্নবা কম্পেন্সেসন পীগদবনি। কনাগুম্বা পাট্টাদারশিংগী অমদি ষ্টেট লেন্দদা লৈবা ষ্টেন্দিং প্রোপর্টিগী সর্ভেদো পেন্দবা অদু রি-সর্ভে তৌগদবনি। ফিশরি, হোর্টিকলচর, ফোরেষ্ট, সেরিকলচর হায়রিবশিং অসিগী চান্নবা ভেল্যুদা কম্পেন্সেসন পীগদবনি। মথক্তা পঙ্গরিবা অসি জে এ সীগী মায়কৈদগী অমদি ইন্দিভিজ্যুএলশিংগী মায়কৈদগী কয়ারক হন্না মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা খঙহনখিবা লৈখ্রে। অদুবু হায়রিবা দিমান্দশিং অসি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা জুলাই ২১ ফাওবগী মনুংদা থবক্তা ওন্থোরক্তবা তারবদি মথংগী নুমীৎ জুলাই ২২দগী জে এ সীনা কোনবা মফমশিংদা পুং ৪৮গী টোটেল সটদাউন তৌরগনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

লৈঙাক্লা অহেনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু : লূপ

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস): হৌজিক কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি মণিপুরগী মরুওইবা মফমশিংদা শন্দোকপগী চাং নেমথবা লৈত্রি। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা লৌ পানবা পান্থা য়ৌশিল্লকপনা হার (য়ুরিয়া) য়াম্না মথৌ তারকপনা হারগীদমক লৌমীশিংনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ কিদনা মরী লৈনবা ওফিসতা থোমজিন্নরিবসি লৈঙাক্লা অহেনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না ককচিং খুন্নাই চাউখৎহনবা লূপকী প্রসিদেন্ট জিতেশ মোইরাংথেমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লৌরোক পান্থা য়ৌরকপনা হার ৱাৎহন্দনবা ককচিংগী সী এস ওশিংনা দিমান্দ তৌখিবা লৈরে। লৈঙাক অসিগী এগ্রিকলচর মিনিষ্টরনসু দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসশিংদা হার য়েন্থোক্তুনা ষ্টেট অসিদা হারগী অৱাৎপা লৈহল্লোই হায়না জুলাই ৪দা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি। লৈঙাক্লা থাজবা পীখ্রবসু লৌমীশিংনা করিগীদমক অসুক ৱানা হার ফংননবা হোৎনরক্লিবনো হায়বসি লৈঙাক অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা খন্থফম থোকই। ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী হার য়েনগনি হায়বদগী য়াল্লবা লৌমী কয়ানা হার য়েনফম ককচিং লমদোংগী গোদাউনদা অয়ুক পুং ৫/৬ তাবদগী থোমজিন্নরকখি। কোভিদ-১৯ লাইচৎ থেংনবদগী হার বেগ অমনা হেন্না লুম্না লৌরক্লিবসিগী মরম লৈঙাক্লা হেন্না খঙফম থোকই। থোক্লিবা থৌদোক অসিনা মণিপুরদা হার ৱাৎত্রবসু লাইচৎ মরক অসিদা য়েন্থোক্লিবা মওং মতৌ অসি শোয়রে তাকপনি।

লাইচৎ মরক অসিদা লৌমীশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং উবীদুনা হোম দেলিভরিবু ওইরবসু লৈকায় লৈকায়গী, সী এস ওশিংদবু ওইরবসু য়েলহন্ননবা অখন্নবা থৌরাংশিং লৌখৎপীয়ু। মদু নৎত্রবদি লৈঙাক্লা নাইট কর্ফিয়ু, মাইক্রো কন্টেনমেন্ট জোন থম্বগী কান্নবা লৈরক্লোই। অমরোমদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টতা পোজিটিভ ওইবগী চাং ৱাংখৎলক্লিবা অসিদা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী রিপ্রজেন্টেটিভ দিজোল্ব তৌখিবদগী থেংনরিবা অৱাবা কয়া অসি কোকহনবীয়ু। মীয়ামগা খ্বাইদগী নক্না চৎমিন্নরিবা কাউন্সীল্লর অমদি মেম্বরশিংনদি মীয়ামগী অৱাবা, কনানা লৌ উবা, কনানা উদবা হায়বসি লোয়না খঙলিবনি। লৈঙাক্লা অশানবা মীৎয়েং থমদুনা থেংনরিবা অৱাবশিং অসি কোকহন্ননবা হোৎনবীয়ু হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

‘লৈঙাক্কী মতেং লৌজরগনি’

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস): সনামহী কিয়োংদা লাই খুরুম্বগী মিংদা লাকপা ইনখৎলক্লিবা নহা খরনা মনাক নকপদা লৈবা মফমশিংদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নবগী থৌওং চথরকপা অসি থিংননবা হোৎনবদা লৈঙাক্কী মতেং লৌরগনি হায়না সনামহী লাইনিংকোল (ফাউন্দেসন ফোর য়ুনিভর্সিটি ওফ সনামহী কলচর)গী লূপলাকপা পুরেল পোইরৈ খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসিগী অকনবা চৈথেং ফংলিঙৈ, অৱাবা ৱাইথুংমিন্নরিঙৈ অসিদা সেলোই লংমাইচিং সনামহী কিয়োংদা লাই খুরুম্বগী মিংদা মপুং ওইনা ইনখৎলক্লিবা নুপামচা অমদি নুপীমচা কয়া লাক্তুনা য়ু অমদি ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাবগী থবক অকোয়বদা তৌশিল্লকপা অসিদা তখেল সঞ্জেনবম অমসুং কম্বোংপাৎকী ক্লব, মৈরা পায়বীশিংনা অথিংবা কয়া থমদুনা কন্না খোঙজং চঙশিল্লি। লোয়ননা সনামহী কিয়োংনসু লাই খুরুম্বগী মিংদা ফৎতবা থবক তৌবীদনবা খঙহঞ্জরি। করিগুম্বা ৱাফমশিং অসি তাবীদ্রবদি অতাবা অমা লাক্তুনা ৱারক-ৱাতেল্লকপদা ৱারৌবীরোই। ক্লব অমদি মৈরা পায়বীশিংগা সনামহী কিয়োংগা পুন্না পামদবা থবকশিং অসি তৌহন্দনবা পুন্না চৎমিন্নগনি। লোয়ননা অসিগুম্বা ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নরিবশিং অসি থিংননবা হোৎনবদা লৈঙাক্কী মতেংসু লৌজরগনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ভি দি এফ পর্সনেল ১১গী ইমুংশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস): ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী এস পি ভিক্টোরিয়া য়েংখোম, এদিসনল এস পি (ওপস) কে এস ঐচ মনিহার অমদি এদিসনল এস পি (ট্রাফিক) রোমেন্দ্রোগী মীৎয়েং মখাদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিএসননা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভকী ফ্রন্টলাইনদা দ্যুটি তৌরিবা ভি দি এফ ১১ নৌনা পোজিটিভ ওইবা য়াওরকপদগী মখোয়গী ইমুং-মনুংশিংদা চেঙ, হৱাই, থাউনচিংবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখ্রে হায়না ককচিং দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট এম বিজেন্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ককচিং দিষ্ট্রিক্টতা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভতা পোজিটিভ ওইবা ভি দি এফ পর্সনেল ২৪ শুরে। ভি দি এফশিংনা মীয়ামগী থবক তৌরকপসি চহী ১২ শুরক্লে। অদুবু লৈঙাক্লা ভি দি এফশিংনা তাল্লিবা দিমান্দশিং ঙসি ফাওবা পীবীদনা লাক্লি। ভি দি এফশিংনা তাল্লিবা দিমান্দ অসি পুলিস কন্সটেবল অমগী ফংবা তোলোপকী চাদা ৭৫গী চাংদা ভি দি এফশিংদা পীবীয়ু হায়বনি। অতোপ্পা দিপার্টমেন্টকীদি সেভেন পে ফাওবা পীবীখ্রে। ভি দি এফকীদি লুপা ৮,৫০০না থা অমগী ফেমিলি মেন্টেন তৌদুনা লৈরি। ভি দি এফশিংগী অৱাবশিং উবীরগা লৈঙাক্লসু ভি দি এফকী দিমান্দ অসি পীবীয়ু হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

জেনরেল বোদি মীটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস): লিলোং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী জেনরেল বোদি মীটিং অমা ব্লোক অসিগী প্রসিদেন্ট এম দি ইমামমুদ্দিনগী য়ুমদা হৌখিবা জুলাই ১১ দা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা অনৌবা থৌ পুবা খরা হাপচিন্দুনা হেন্না মপাঙ্গল কনবা কম্মিটি অমা শেমদুনা কম্মিটি অসিগী ওফিস বিয়াররশিংসু হেন্না পাকথোক চাউথোকখ্রে হায়রি।

ইদকা মরী লৈননা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপা হৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস): ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী শেংলবা কুম্মৈ ইদ-উল-অধা থা অসিগী ২১দা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা সোসল ৱার্কর সয়েদ অনৱার হুসেননা চান-থক্লবা পোৎলমশিং ঙসিদগী য়েন্থোকপা হৌখ্রে।

তেংবাঙ পোৎলমশিং য়েন্থোকপা অদুগা মরী লৈননা লাক্কদৌরিবা ১২শুবা এসেম্ব্লী মীখলদা লিলেং এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিদা আই এন সীগী মীরেপ ওইগনি হায়না থৌরাং তৌরিবা সয়েদ অনৱার হুসেননা হায়, কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা ৱানরবা এ সী অসিগী মীয়াম্না কুম্মৈ অসি পাঙথোকপদা মতেং খরদং ওইরবসু খন্দুনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অসি এ সী অসিগী য়ুমথোঙ ১০০০ রোমদা তেংবাঙ ওইনা পীজবনি হায়খি।

ইদ-উল-অধানা লাকপদা লমদম অসিদা লৈরিবা অৱা-অনাশিং মাঙখিবা ওইরসনু। লোয়ননা খুদামিন্নরিবা ঐখোয় মশেল নুংশি-চান্নবা অমত্তা ওইনা হিংমিন্নবা ওইরসনু হায়নসু সয়েদ অনৱার হুসেননা য়াইফ পাউজেল পীখি।

‘ঐখোয় খূদিংমক্লা ৱাখল তামিন্নরবদি কোভিদতগী মীপায়নিংঙাই লৈরোই’

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচএনএস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী কাইরেম্বীখোক ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ক্লব (কে এস য়ু সী)না ৱাংজিং তেন্থা এ সীগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা কোয়না চৎতুনা ‘ঐখোয় খূদিংমক ৱাখল তামিন্নরবদি কোরোনা ভাইরসকী মীপায়নিংঙাই লৈরোই’ হায়বা ৱাখল্লোনদা ঙসিদগী য়ুম, উপু-কাংথোল শুফম অমদি লম্বীদা লাকপা মীয়ামদা ফেস মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজর অমদি হেন্দ গ্লোভনচিংবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপা হৌখ্রে।

কে এস য়ু সীগী ভলন্টিয়রশিংনা ৱাংজিং তেন্থা এ সীগী মফম শীনবা থুংনা চত্থগদবা এব্রেয়র্নেস কেম্প্যেন অসিগী ঙসি অহৌবা নুমীৎতা কাইরেম্বীখোক খুঙ্গংগী মফম শীনবা থুংনা চৎতুনা লম্বীদা লাকপা মীয়াম অমদি লৌ কুম্বা চৎপশিং লোয়ননা খুঙ্গং অসিগী ফর্নিচর হাউসশিংনচিংবা মফমশিংদা চঙদুনা হেন্দ সেনিটাইজর, ফেস মাস্কশিং য়েন্থোকখি। ঐখোয় খূদিংমক্লা ৱাখল তামিন্নরবদি লায়না অসি লান্থেংনবদা মায় শোয়দনা পাক্কনি অমদি কিনিংঙাই ওইদে হায়বা এব্রেয়র্নেসশিংসু পীরমখি।

কাইরেম্বীখোক ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন এন্দ ক্লব (কে এস য়ু সী)কী জেনরেল সেক্রেটরি উশম সুরচান্দনা হায়খি, ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)না লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা পীরিবা চৎন-কাঙলোনশিংবু ঐখোয়না ঙাক্লা চৎমিন্নরবদি অমদি ঐখোয় খূদিংমক অমত্তা ওইনা ৱাখল তামিন্নদুনা মী অমগা মী অমগগী মরক্তা অন্দরষ্টেন্দিং লৈনদুনা পুন্না থেংনমিন্নরবদি কোভিদকী লায়না-লাইচৎ অসি মায়থীবা পীবা ঙমগনি অমদি ঐখোয় খূদিংমক্লবু ৱাখল তামিন্নরবদি করিসু কিনিংঙাই ওইদে হায়খি।

মোনিটরি এসিষ্টেন্স পীবীগনি হায়বা ৱাফম পূক্লিং থৌগৎনিংঙাইনি : এ এম আর দি পি দব্লিয়ু এ

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস): হন্দক্তা ষ্টেট কেবিনেটনা লৌখিবা ৱারেপ অমগী মতুংইন্না ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্না মরম ওইরগা লায়রবা শিন্মীশিং অমসুং নোংমগী শুজ-নোমজরগা হিংলিবা অৱাবা তারবা মীওইশিংদা মোনিটরি এসিষ্টেন্স খরা পীবীগনি হায়রিবা ৱাফম অসি পূক্লিং থৌগৎনিংঙাইনি হায়না ওল মণিপুর রিক্সো দ্রাইভরস এন্দ পুল্লর্স ৱেলফেয়র এসোসিএসন (এ এম আর দি পি দব্লিয়ু এ)গী প্রসিদেন্ট টি ঐচ বসন্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লুপা ক্রোর ১০০গী শেনফম মীওই লাখ ২দা লৈঙাক্লা পীগনি হায়রিবা অসি পূক্লিং থৌগৎনিংঙাইনি। পীগদৌরিবা বেনিফিসরিশিং অদুদি ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং, লৌমীশিং, দেলি ৱেজেজ ৱার্করশিং, কন্সত্রক্সন সাইট ৱার্করশিং, রিক্সো পুল্লরশিং, পব্লিক ট্রান্সপোর্ট দ্রাইভরশিং, স্কুল ভেন দ্রাইভরশিং, আর্টিসানশিং অমসুং ওটোরিক্সো দ্রাইভরশিংনি।

শেনফম অসি দিরেক্টোরেট ওফ সোসল ৱেলফেয়রগী খুথাংদা পীবা অমসুং কন্সর্ন দি সীশিংগী খুথাংদা লৌখৎলকপা বেনিফিসরিশিং ওইগনি হায়রি। অদুবু হংজনিংবা ৱাহংদি মতৌ করম্না অশেংবা অমসুং অচুম্বা বেনিফিসরিশিং খনগদগে হায়বসিনি নৎত্রগা অশেংবা অমসুং অচুম্বা বেনিফিসরিশিং খনবগী মহুৎতা শেনফম অসি কনাগুম্বা মীওই খরগী ফুরিৎখাউদা চঙখিগদ্রা হায়বসিনি। লৈঙাক্লা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিদা থমজনিংবা ৱাফমদি বেনিফিসরি ওইগদৌরিবশিং অসি তোঙান-তোঙানবা ট্রেদ নৎত্রগা ওর্গনাইজেসন/এসোসিএসন লৈবা কাঙলুপ ঙাক্তা ওইগনি। মরম অদুনা মথক্তা পঙ্গরিবা এসোসিএসন নৎত্রগা ওর্গনাইজেসনশিংনা মশা-মশাগী অচুম্বা বেনিফিসরিশিং খনবগী রাইট লৈগনি হায়না খঞ্জে। রিক্সো পুল্লরসকী ওইনদি এসোসিএসন অসিনা অশেংবা অমসুং অচুম্বা বেনিফিসরি খনবদা মণিপুর পুম্বগী ওইনা ভেরিফাই তৌজগনি। লোয়ননা অতোপ্পা ওর্গনাইজেসন/এসোসিএসনশিংসু লৈঙাক্লা পায়খৎলক্লিবা থৌরাং অসিদা বেনিফিস্সরিশিং খনবা মতমদা ভেরিফাই তৌবীয়ু হায়না আপীল তৌজরি। লৈঙাক্কী থৌ পুরিবা মরী লৈনবা ইমপ্লোয়ীশিংনসু বেনিফিস্সরিশিং অদু চৎন-কাঙলোন চুম্না মরী লৈনবা এসোসিএসন/ওর্গনাইজেসনশিংনা ভেরিফাই তৌব্রা হায়বদু চেক তৌবীয়ু। মরী লৈনবা এসোসিএসন নৎত্রগা ওর্গনাইজেসন্না ভেরিফাই তৌদবা বেনিফিসরিশিং অদু খনবীদনবা আপীল তৌজরি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

পাক শন্না ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু, পোলিটিকেলাইজ তৌগনু : সী পি আই

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস): পাক শন্না ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু, পোলিটিকেলাইজ তৌগনু হায়না কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই), মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

সী পি আই, মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইরাবত ভবনদা ঙসি ফমখিবা সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী সেক্রেটরিয়েট মীটিংনা হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মী শিবগী চাং অমুক হেনগৎলক্লিবা অসিদা অকনবা মওংদা নুংনাংবা অমদি পেন্দবা ফোঙবগা লোয়ননা খন্ন-নৈনখ্রে। সী পি আইগী নেসনল এগজিক্যুটিভ মেম্বর ডা. এম নরনা ময়াই তাংবল লৌদুনা ফমখিবা মীফম অদুদা পার্টি অসিগী ষ্টেট সেক্রেটরি লাইশ্রম সোটিনকুমার, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাং, পার্টিগী স্পোক্সপর্সন আর কে অমুসনা অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী সেক্রেটরি টি ঐচ মেঘচন্দ্রনা খন্ন-নৈনবা অদুদা শরুক য়াখি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুরদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মী শিবগী চাং অসি কা হেন্না হেনগৎতুনা মমাঙ থাদা ২০গী মথক লানখৎলুরবা মতুংদা অমুক নেমথরক্তুনা ১০গী মখাদা লৈরুরে। অদুবু লুরিবদি ঙসি নোংমা-নীনিসিদা অমুক হন্না মী ২০গী মথক্তা শিবগী চাং খঙহেন হেনগৎলক্লে। মরম অদুনা লৈঙাক্লা ফীভম অসিদা তুমীন্না লৈরিবা করিগীনো। মসি করম্না ঙাকথোক্কদগে হায়বা থবক অদু খুদক্তগী ৱার ফুটিংদা শিবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসি কন্ট্রোল তৌনবা থবক পায়খৎনবা সী পি আইনা দিমান্দ তৌরি। মতিক ময়াই লৈবা কম্মিটি অমনা মসি লাকশিন্ননবা থবক পায়খৎলু। অদুগা পাক শন্না ভেক্সিন কাপথোক্লবা লৈঙাক্লা চথরিবা অসিদা সী পি আইনসু মীয়াম পুম্নমক ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু হায়না আপীল তৌরি। পার্টিগী লোকেল খূদিংমক্লসু থবক অসিদা তেংবাঙ পীদুনা লাক্লিবা অসি মখা হেন্না কন্না চথরগনি। মীপুম খূদিংমক কোভিদ টেষ্ট তৌথোকপীয়ু।

কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা ৱানরবা মতম অসিদা নফসাগী মখাদা চেঙ য়েনবগী থবক তপথবা অমদি চাং হন্থনা য়েন্দুনা হাবি-জাবি তৌবগী মওং অসি খুদক্তা ষ্ট্রিমলাইন তৌদুনা মীয়াম ৱাহন্দনবা থবক পায়খৎননবা সী পি আইনা তকশিল্লি। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মরম ওইদুনা লাক্লিবা নবেম্বর ২০২১ ফাওবা মীয়ামদা চেঙ কে জি ৫/৫ লেম্না থা খূদিংগী ফংহল্লগনি লাউথোকখ্রে। মরম অদুনা লাউথোকখ্রিবা প্রোগ্রাম অসি মপুং ফাহন্ননবা সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরিয়েটনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মফমদা তকশিল্লি। লোয়ননা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী লৌবুক কয়াদা নোং তাদবদগী লৌ লিংলমদাইদা ঈকং থোক্তুনা লৌ হুনবা, লিংবা য়াদ্রিবসি খুদক্তা লৈঙাক্কী মতিক চাবা তেংবাঙ পীদুনা ঈশিং ফংহনগদবনি। লোয়ননা হন্দক মরক পাঙলশিংগী ঈদ লাকপা মতমদা লৈঙাক্লা অকন্নবা ওর্দর থোক্তুনা শা হাৎপা য়ারোই হায়না কম্যুনেল ওইবা থৌওং অমা চথরকপা অসিদা সী পি আইনা নুংনাংবা, পেন্দবা ফোঙলি। লৈঙাক্কী কোভিদকী চৎন-পথাপ ঙাক্লা ইদকী থৌরম চত্থজবা য়ানবা লৈঙাক্লা থবক পায়খৎকদবনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

সোসল সর্ভিস কেম্প হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস): সিঙ্গা মখা লৈকায় ৱেলফেয়র ক্লব, য়াইরিপোক সিঙ্গানা শীন্দুনা নুমীৎ ৪নি চত্থগদবা মেগা সোসল সর্ভিস কেম্প ঙসিদগী হৌদোকখ্রে।

কেম্প অদুদা শরুক য়াখিবা সিঙ্গা মখা লৈকায় ৱেলফেয়র ক্লবকী প্রসিদেন্ট এম দি জলালুদ্দিন শাহনা ফোঙদোরকপদা, ঐখোয়না লূ-নান্না লৈরিবমখৈ কোরোনা য়াওনা অতৈ অনাবা কয়াদগীসু ঙাকথোকপা ঙমগনি। ঐখোয়গী অকোয়বগী ফীভম লূ-নান্না থম্বা হায়বসি ঐখোয়গী ৱাখল অমদি পূক্লিং হকচাংসু শেংনা থম্বা ঙমগনি। মীয়াম্না ঐখোয়গী অকোয়বগী ফীভম লূ-নান্না থম্বগী হৈনবী থমদুনা ৱাখল, পূক্লিং শেংনা লৈবগা লোয়ননা লায়না-লাইচৎশিংদগী থাপ্না লৈসি হায়বা ৱাখল্লোনদা সোসল সর্ভিস কেম্প অসি পাঙথোকপনি। মেগা সোসল সর্ভিস কেম্প অসিগী অরোইবা নুমীৎতা সিঙ্গা খুলগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা উ চারা কয়াসু থাজিন্নবা শেম-শাবা লোইরে। মীয়াম্নসু শরুক য়াবীয়ু। ক্লব অসিনা মখা তানসু মীয়ামগা লোয়ননা থবক থৌরম কয়াসু লেপ্তুনা পাঙথোক্কনি হায়খি।

‘হায়ৱেজ প্রোটেক্সন ফোর্স থম্নবা ৱাফম ফোঙদোক্লমদবসি ট্রক দ্রাইভরশিংবু মীরায়বনি’

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস): য়ুনিয়ন রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজগী মিনিষ্টর নিতিন গদকারিনা মক্রু থোং শঙ্গাবদা মণিপুরদা লৈরিবা নেসনল হায়ৱেশিংদা হায়ৱেজ প্রোটেক্সন ফোর্স থম্নবা ৱাফম ফোঙদোক্লমদবসি ট্রক দ্রাইভরশিংবু মীরায়বনি হায়না ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস (এ আই টি য়ু সী) মণিপুরনা ফোঙদোরক্লি।

এ আই টি য়ু সী মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা জুলাই ১২দা য়ুনিয়ন রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ মিনিষ্টর নিতিন গদকারিনা ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী মক্রু থোং শঙ্গাবগী থৌরমদা হায়ৱে অসিখক্তা নত্তনা ইম্ফাল -দিমাপুর লম্বীগী মরক্তা খুৎলায় পায়বা লালহৌলূপ কয়ানা ট্রক দ্রাইভরশিংদগী নমদুনা শেল খায়বা থিংনবা নেসনল হায়ৱেজ প্রোটেক্সন ফোর্স থম্নবা ৱাফম অমফাওবা ফোঙদোক্লমদবসি সেন্টরগী বি জে পি লৈঙাক অসিনা মণিপুরগী তঙাইফদ্রবা পোৎলম কয়া পুশিল্লক্লিবা দ্রাইভরশিংবু মীরায়বীবনি হায়না এ আই টি য়ু সীনা লৌই।

কোভিদ-১৯গী অকিবা কয়া থাদোক্তুনা মীয়ামগী তঙাইফদবা পোৎলমশিংদা নত্তনা ষ্টেট অসিগী মরুওইবা ইনফ্রাষ্ট্রক্চর কয়া অথুবদা লোইশিন্ননবা মখল কয়াগী পোৎলমশিং পুশিল্লক্লিবা ট্রক দ্রাইভরশিংদগী নোংমৈ উৎতুনা নমদুনা শেল লৌবগী মথক্তা পুশিল্লক্লিবা পোৎলমশিংগী গুদস টেক্স লৌবসিনা লাইন খরচ মরাং কায়দবা দ্রাইভর অমদি হেন্দিমেন কয়া ফাদুনা থমজিনবগী অৱাবা নংলবা দ্রাইভর অমসুং হেন্দিমেনশিংগী ইমুং-মনুংশিংদা ৱাখল লায়না নাহনবদা নত্তনা দ্রাইভর অমসুং হেন্দিমেনশিং ৱাখলগী লায়নানা নাবা য়াওরক্লে হায়বদু য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমনা খঙলমদবসি লাইবক থীবনি।

ষ্টেট অসিগী লাইফ লাইন ওইরিবা নেসনল হায়ৱে-৩৭ অমসুং ৩৯দা দ্রাইভর অমসুং হেন্দিমেনশিংনা মায়োক্লরিবা অৱাবশিং কোকহন্ননবা এ আই টি য়ু সী মণিপুরনা নেসনল হায়ৱেজ প্রোটেক্সন ফোর্স থম্নবা চহী কয়াগী মমাঙদগী তকশিন্দুনা লাকপদা নত্তনা ষ্টেট লৈঙাক অমসুং সেন্টর অনীমক্তা মেমোরেন্দম কয়া পীশিনখ্রবনি। মীয়ামগী খোল্লাও তাশিন্নদ্রবা বি জে পি লৈঙাকসিনা মীখলগী খুদোংচাবা লৌননবা মক্রু থোং শঙ্গারম্বগা লোয়ননা অনৌবা প্রোজেক্ট কয়াগী উরেপ-উয়ুং তল্লমখিবদুসু মকোক থোংবা লুচিংবা খরনা খুদোংচাবা লৌননবা মীয়ামদা উৎ চাইবনি হায়না এ আই টি য়ু সী মণিপুরনা লৌই। হৌজিক হৌজিক ষ্টেটসিদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা পাক শন্না শন্দোরকপদগী কন্টেনমেন্ট জোন অমসুং কর্ফিয়ু মখা শাংদোকহনখিবদগী তঙাইফদ্রবা পোৎলম কয়াগী মমল অতিয়া পক্লা ৱাংলিবসি হায়ৱেজ অনীসিদা খুৎলায় পায়বা লালহৌলূপশিংগী কাদরশিংনা গুদস টেক্স অমসুং নম্ফু শেনখায় লৌবদগীনি হায়বদু লৈঙাক অসিনা খঙফম থোকই। মরম অসিদগী নেসনল হায়ৱেজ অনীসিদা অথুবদা হায়ৱেজ প্রোটেক্সন ফোর্স থম্নবা এ আই টি য়ু সীনা অমুক হন্না দিমান্দ তৌরি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।